Imphal, Thursday, June 26, 2014

HUEIYEN LANPAO

## ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংলে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগা মরী লৈননা কাদা, এম জি এম ক্লব, ৱাঙ্খে নিংথেম পুখ্রি মপাল অমসুং ৱাল য়ু ৱাই সি এন্দ ৱিমেন্স' সোসল ৱেলফ্যের এসোসিএস, ৱাঙ্খে অঙোম লৈকায়গী মীফম অমা সিভিল সোসাইটিগী লুচিংবা কয়ানা ফম্পাক্কী লৈতেং ওইনা শরুক য়াদুনা হৌখিবা জুন ২২গী নুংথিল ৱাল য়ুনাইটেদ য়ুথস' ক্লবকী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপশিং অসিনা পুন্না প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱাঙ্খে অন্দ্রো পার্কিং অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক (য়ু) য়োনবা মীওই ১৯না ক্লবসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়োনবদা অথিংবা থল্লিবা অসি লৌথোকপীনবা থাগৎলকপা ৱাফম্বু কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ খরা লৌখ্রে হায়রি।

ৱারেপশিং অদুনা কাদা, এম জি এম ক্লব, ৱিমেন্স' সোসল ৱেলফ্যের এসোসিএসন অমসুং ৱাল য়ুনাইটেদ য়ুথস' ক্লব, ৱাঙ্খেনা পুন্না খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংমিন্নবা হায়না অমত্তা ওইনা লেপ্পখ্রে। দুকান/হোটেল লীজদা ৱাইরগা ফল্লিবা মীওইশিংনা য়ু নৎত্রগা অথিংবা লৈবা টেল্লেট য়োল্লবদি মখোয়দা পীরিবা লীজ অদু ককথৎপীদুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংবগী খোঙজংসিদা মতেং পাঙবীনবা দুকান/হোটেল মপুশিংদা খঙহনবা হায়নসু লেপ্পখ্রে হায়রি।

## কম্মেমোরেসন ফঙ্কসনপাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ লাক্লিবা জুন ২৭কী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ইম্ফালগী দ্যুলালেন্দা লৈবা ইম্ফাল ৱার সিমিট্রিদা কম্মেমোরেসন ফঙ্কসন অমা পাঙথোল্লগনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়া, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা, য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং অতৈ লৈপাক্কী মীহুৎশিংনা শরুক য়ারবা য়াই। মশাগী চহী ৭০গী মথক্তা লৈবা ৱার্ল্দ ৱার টু ভেটেরানশিং অমসুং এক্স-সর্ভিসমেন-শিংনা মখোয়গী রেজিমেন্টেল দ্রেসকা লোয়ননা কেপ, টাই অমসুং মেদলশিং শেৎলগা শরুক য়াবীয়ু হায়না রাজ্য সাইনিক বোর্দ, মণিপুরগী লেফটিনেন্ট কর্নেল ঐচ সরতনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা পাউজেল্লক্লি।

## 'ফ্রী কোচিংদা য়াওবা য়াগনি'

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস' য়ুনিয়ন (এমসু), ময়াই লোইশঙগী মীৎয়েং মখাদা এমসু, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা মণিপুরদা লৈরিবা শেল-থুমগী খুদোংচাদবনা মরম ওইদুনা লনাই কোচিং চৎপা ঙমজদ্রবা ক্লাস এইটতগী টেন ফাওবদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা মেথমেটিক্স, সাইন্স, অমসুং সোসল সাইন্স সবজেক্টশিং অসিদা হৌখিবা জুন ১০দগী হৌদুনা খুম্বোংগী জে এন ভিগী মায়োক্লবদা লৈবা কোলোইপান হায় স্কুলদা মখা তানা চখুরি হায়রি।

এমসু, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি য়োঙ্গন তখেল্লম্বমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, থা অহুম চুপ্না পাঙথোক্কদবা ফ্রী কোচিং ক্লাস অসিদা য়াওনিংবা ক্লাস এইটতগী টেন ফাওবা তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা মথক্তা পঞ্জরিবা স্কুল অসিদা অয়ুক পুং ৫.৩০দগী ৯ ফাওবগী মনুংদা লাকপীদুনা রিপোর্ট তৌবীয়ু। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল ফোন নম্বর ৮৭৩০০৮৩৭১৪ নৎত্রগা ৯৮৫৬৫৪৫১৭৩দা পাউ ফাওনবা য়াগনি হায়রি।

## ওজাশিংগী মচানা স্কোলরশিপ লৌবা য়াগনি

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ কনাদিয়ন টিচরস' ফেদরেসন/এ আই পি টি এফ (ওল ইন্দিয়ন প্রাইমারী টিচরস' ফেদরেসন)গী ফন্দিং মখাদা এমেষ্টাগী খুথাংদা এলিমেন্টরীগী থাক্তা ওজা ওইবা ওজাশিংগী মচা নুপীশিংনা চৎলিবা কুমজা ২০১৪ সেসন অসিদা দাইট অমসুং বি এদ চৎলিবা মচানুপীশিংদা চহীগী ওইনা লুপা লিশিং ১০দগী তাদনা পীগনি। মসিগা মরী লৈনবা ওজাশিংনা ইম্ফালগী খোয়াথোংদা লৈবা ওল মণিপুর এলিমেন্টরী স্কুল টিচরস' এসোসিএসন (এমেষ্টা), ময়াই লোইশঙদগী নুংথিলগী পুং ২.৩০দগী ৫.৩০ তাবা ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌবীয়ু অমসুং লাক্লিবা জুলাই ১০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীখৎপীয়ু হায়না এমেষ্টাগী জেনরেল সেক্রেটরি সি ঐচ সান্তকুমারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা খঙল্লক্লি।

## খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ খুরাই লম্লোং থোংখোঙদগী হৈক্রুমখোঙ ফাওবগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রবা লম্বী অসি ফগৎহন্নবগী পান্দমদা ৱিমেন দিভলপমেন্ট কম্মিটি ওফ খুরাই পুথিবা লৈকায় অমসুং নান্দৈবম লৈকায়না থিংজিনখিবা ৱার্কস মিনিষ্টর ডো. কে ঐচ রতনকুমারনাঅথুবা মতমদা শেমজিনগে হায়না থাজবা পীরকপদগী মতম খরগী ওইনা হন্দোকচরে হায়না কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি ৱাই বিমোতিগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## আই এল পি চংনহন্নবগী খোঙজং ওইনা ৱাল পেন্টিং কেম্প্যেন চত্থবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ লাক্লিবা ওগষ্ট ৯ ২০১৪, ইন্টর্নেসনেল ডে ওফ ৱার্ল্দ'স ইন্দিজিনস পিপলস নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা মণিপুরদা য়েলহৌমী কন্নবগীদমক ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম (আই এল পি এস) চৎনহল্লু হায়না চঙশিল্লক্লিবা অনৌবা মীরোলগী খোল্লাউ অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিদগী হৌনা মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না ৱাল পেন্টিং কেম্প্যেন মায় পাক্না পাঙথোকপা হৌখ্রে হায়না ওগনাইজেসন ফোর মুভমেন্ট ওফ ইন্দিজিনস পিপলস ওফ মণিপুর (ওমিপম)না ফোঙদোরক্লি।

ওমিপমগী কনভীনর এস উমাকান্তনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, 'নো আই এল পি এস-নো রেষ্ট' হায়না মণিপুরগী মায়কৈ কয়াদা ৱাল পেন্টিং কেম্প্যেন অসি ফোর্মেল ওইনা মর্ক্সিজম লার্নিং সেন্টরদা ওমিপম অমসুং ষ্টুদেন্টস লীগ মণিপুর (এস এল এম)গী লুচিংপুরেলশিংনা হৌদোকখি।

অদুগী মতুংদা মণিপুরগী মফম শিনবা থুংনা অয়ুক অঙনবদগী কেম্প্যেন অসি ওমিপম অমসুং এস এল এমগী থৌমীশিং চা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, লমাংদোং দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মফম কয়াদা অনৌবা মীরোলনা পাক শন্না পাঙথোকখি হায়রি।

ওমিপমনা এস এল এগা খুৎশম্নদুনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি ঙসিদগী হৌদুনা লাক্লিবা জুন ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ঙসি ঈশিং ঈচাউগুম্না মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ঈরমদম অসিদা থোমজিল্লক্কুনা খুন্নাই অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরকপা অমসুং ইরমদম অসিদা য়েলহৌমীনা রিফ্যুজি অমগুম্বগী থাক্তা হিংলক্কদৌবগী পুংফম অমা লাকপসিদা মণিপুরগী অনৌবা মীরোলনা তরেৎ-তরা থোক্না খন্নরবা মতুংদা ঐখোয়গী খুন্নাই কঞ্জনবনি হায়বা ৱারেপ লৌমিন্নদুনা ঈহৌ অসি চঙশিল্লকপনি হায়রি।

য়েলহৌ খুন্নাই কনবা হায়বা অসি ইরৈচা ময়ামগী অপুনবগী থৌনা অমসুং লৌশিংতনা কঞ্জবা ঙমগনি। ইরমদম কঞ্জবা হায়বা অসি ঐখোয়গী থৌদাংনি। ঐখোয়ননা ঐখোয়গী থৌদাংদগী নান্থোক্লবদি ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরৈবাক্তা মীনাই নাইথাং ওইনা হিংবা হায়বা অসি শোইদ্রবনি হায়নসু চেরোল অসিদা ওমিপমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অমুসনাবু ফুখিবা মীওইশিং চৈরাক পীহন্নবা মীয়ামগী মীফম্না ৱারেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ হৌখিবা জুন ২৩গী নুমিদাং পুং ৮.৩০ তাবদা নুপী খুন্নাই, লমশাং কৈথেলগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নিংঙোল চিরোম ওংবী অমুসনানা নিশা বন্দগী মীয়াম তিন্নবা থোক্লকপদা মীওই খরনা পুল্লগা লম্বী ময়াইদা ফুদুনা অশোক-অপনা নংহনখিবা অদুগা মরী লৈননা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লমশাং কৈথেল কম্ম্যুনিট হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা লমশাং মায়কৈগী মৈরা পায়বী লূপশিং, ক্লব অমসুং কাদাগী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়রি।

নুপী খুন্নাই, লমশাং কৈথেলগী সেক্রেটরি কে থম্বালসনানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমুসনাবু ফুবদা য়াওখিবা মীওইশিং অদুনা নামোইজম নিংঙোল কেমাশ্বরি, কেমাশ্বরিগী মচানুপী প্রভাপতি, প্রভাপতিগা লৈমিন্নবী ময়াং ইম্ফালদগী রেবিকা অমসুং নামোইজম সিদামগী নুপী সোবিতানি।

পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুনা মীয়াম খুন্নাইগীদমক থবক তৌরিবা মীওইবু লনাই ওইনা অতম্নবা ফুরকপা অসি তিল্লিবা মীফম্না কন্না য়ানিংদবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটি, মণিপুর লৈঙাক্না অকনবা থবক লৌখৎহন্নবা লেপ্পখিবগা লোয়ননা ৱারেপ কয়া লৌখি।

ৱারেপশিং অদুনা, অমুসনাবু ফুরক্লিবা মীওইশিং পুলিসনা অথুবা মতমদা ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীহনবা, ফুবা মাঙখ্রিবা সনাগী লীক অমদি অশোকপগী লায়েংবদা চঙবা শেনফম ফুরক্লিবশিংনা শিংহনবা অমসুং মীয়ামদা লাল্লে হায়জহনবা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি মরী লৈনবনা পাঙথোক্লত্রবদি সোসল বোইকোটনচিংবা মখা তাবা খোঙজং মীয়াম পুন্না চঙশিনমিন্নবনি হায়রি।

## আই দি বি অমসুং মৌলানা অজাদ স্কোলার্সিপকী ফোর্ম ফংলগনি

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ মাইনোরিটিজ দিভলপমেন্ট ফোরম, মণিপুরনা মাইনোরিটিজ কম্ম্যুনিটিশিংগীদমক্তা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মনুংদগী চহীগী কেলেন্দর প্রোগ্রাম অমা ওইনা চত্থরক্লিবা মাইনোরিটিজ মহৈরোয়শিংগী ৱেলফ্যেরগীদমক্তা আই দি বি অমসুং মৌলানা অজাদ স্কোলার্সিপকী ফোর্ম ফংহনবা হৌরগনি হায়না প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থাসিগী ২৭ তগীনা জুলাইগী তাং ১০ ফাওবদা ইস্লামিক দিভলপমেন্ট বেঙ্কদগী শেন্দোই পুদবা ষ্টদি লোন লৌনীংবা বেচেলর'স দিগ্রি কোর্স ইন মেদিসিন, ইঞ্জিনীয়রিং (ওল ব্রাঞ্চ) অমদি প্রোফেসনেল ট্রেদশিংদা দিগ্রি কোর্স ওইনা ২০১৩ চহীগী ওগষ্ট ৫ গী মতুংদগী এদমিসন তৌদুনা মহৈ তল্লিবা মণিপুরী মাইনোরিটি মুস্লিম ষ্টুদেন্টশিংনা শেল তিংদনা স্কোলর্সিপ লোনগী ফোর্ম লৌরবা য়ারগনি, স্কোলর্সিপ লোনগী প্রোসেস অমদি পেনেল মেম্বরগী এপ্রোভেল লৌবদা ফোরমনা গাইদ তৌগনি হায়রি।

মৌলানা অজাদ নেসনেল স্কোলর্সিপ স্কিম ফোর মেরিটোরিয়স গার্লস ষ্টুদেন্টসকী স্কোলর্সিপ ফোর্মনা জুলাইগী তাং ১ দগীনা তাং ৩১ ফাওবদা মাইনোরিটিজ কম্ম্যুনিটিগী মীওইশিং ওইরিবা মুস্লিম, খৃষ্টিয়ন, বুদ্ধিষ্ট, সিখস, পার্সিস অমদি জেনগী ক্লাস টেনদা ৫৫% গী মথক্তা মার্ক ফংলকপা মহৈরোয় নুপীমচাশিংনা মখোয়গী জেরোক্স কোপী মার্কসিট পীরগা শেল তিংদনা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

মেনশিল্লবা ফোর্ম মহৈরোয়শিংনা মরন্নাই ওইনা পোষ্টেলগী খুত্থাংদা নৎত্রগা দাইরেক্ট ওইরবসু সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মমাঙদা দিল্লিগী ওফিসতা য়ৌহনখিনবা হোৎনবীগদবনি হায়রি।

আই দি বি অমসুং মৌলানা অজাদ স্কোলার্সিপকী ফোর্মশিং অসি হট্টা মিনুথোংদা লৈবা গানি ইংলিশ হায় স্কুলগী ওফিসতগী ছুটি নৎতবা নুমিৎশিংদা ওফিস মতমদা ফংগনি।

লোয়ননা মখা তারকপা খঙনীংবা ঈ-পাউগীদমক্তনা ফোরমগী চ্যেরমেন ঐচ খানগী মোবাইল নম্বর ৯৬১২৮৫৬৪২৬ তগী খঙবীবা য়াগনি হায়রি।

## 'রমজান মমাঙদা তোলোপ পীথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ ৱাকফ বোর্দ মণিপুরনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ট্রেদিসনেল মাদ্রাসাশিংগী মনুংদগী মাদ্রাসা ৩০ খনগৎলগা তোঙান-তোঙানবা সবজেক্ট ৫গী ওজা ১৫০ ৱাকফ বোর্দনা খল্লবা মতুংদা মতম শাংনা মাদ্রাসাশিংদা মহৈ মশিংগী লমদা খ্বাইদগী শোথরবা মাইনোরিটি মুসলিমগী মহৈরোয়শিংবু তাকপী তন্বীদুনা লাক্লিবা ওজা ১৫০গী থা ১৪গী পীথোক্তদুনা লৈরিবা তোলোপশিং লাক্লিবা রমজানগী মাঙওইননা পীথোকপীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না ওল মণিপুর মাদ্রাসা মোদর্নাইজেসন টিচরস' ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দি ফৈজুর রহামাননা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ওজাশিং অসিগী তোলোপ মতম শাংনা পীবীদবদগী ওজাশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অৱাবা কয়া মায়োক্লুরে। মরম অদুনা হায়রিবা থা ১৪গী তোলোপশিং অসি করিগুম্না রমজান মাঙওইননা পীথোক্তবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

## ডো: অশিফ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ হৌখিবা তাং ২০ দা ডো: অশিফ মুহমদ ফরুকনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (অমমসো), অমোকোক, উমোদো, মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিটি য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

দো: অশিফনা শ্রি বালাজি দেন্টেল কোলেজ মুম্বাইদা মহৈ তম্লবা মতুংদা ইন্টর্ন কোর্স তৌরিঙৈদা লৈখিদবনি হায়রি। মহাক্না লৈখিদবসি ফুরুপ অসিতগী নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা মাঙজবা অমা ওইরগনি হায়না ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী এসিষ্টেন্ট পল্লিসিটি সেক্রেটরি সালজু সালিমানা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু সি এমনা কৃষ্ণদাস মীশি য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) ঃ হৌখিবা জুনগী ২১ গী নুমিদাংদা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী সেকেন্দ ও সি ময়েংবম কৃষ্ণদাসকী মীশি অসিবু থম্মোয় শোক্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকচরি। য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম) না লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

মণিপুর গভর্নমেন্টনা অথুবা মতমদা মীশি অসিগা মরী লৈননা মরাল লৈবশিং ফাবগা লোয়ননা আইনগী মতুং ইন্না মীয়াম খঙনা চৈরাক পীগদবনি। লৈখিদ্রবা অশিবা হকচাং অদু সঙাইপ্রৌ কবুই খুল অমসুং এফ সি আই গোদাউন অনীগী লোন্নবা লম্বীদা লৈরম্বা মরম্না ফুরুপকী ওইবা য়াবা উংখৎনবা থৌওং থোকপীদনবা য়ু সি এমগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি হায়রি।

কাঙলূপ খুদিংমক্না অশেংবা লংলা-লংজিন থিদোক্তুনা মরাল লৈবা মীহাৎপশিং অদুবু ফংনবা হোৎনমিন্নসি, অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎমিন্নসি হায়রি।

মণিপুর গভর্নমেন্টনা য়োংলৈ-মৈলৈ নাইদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা মতম কা হেন্না লৌদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক-ৱাথোক মখা তানা থোক্লক্লবদি মণিপুর গভর্নমেন্টনা থৌগাই পুন্বা য়াগদবনি হায়রি।


লায়েংজরি **DUTTA CLINIC** লায়েংজরি

উনসাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্ট্রিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**অঙৌবা পকপা :**



হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শীজিন্নদুনা চাওনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনসাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনসাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**তাং-তাং চিকপা :**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা-হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরন্নগনু য়াম্না থুনা উনবীয়ু তানবীয়ু।

**দাইবেটিসকী প্রোব্লেম :**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেট হন্থরক্কনি। ফম্বীগী চাং হন্থরক্কনি, মপাল তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থরক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**নুংশং :**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হক্কচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হীদাক শীজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্লে।

**গ্যাষ্ট্রিক্কী প্রোব্লেম :**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক-নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবীয়ু!

**নুপাগী প্রোব্লেম :**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহীংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাঙবদা কছা লোয়নবা ফিনুংদা হক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু অমদি উনবীয়ু।

**নুপীগী প্রোব্লেম :**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাংনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম**
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হাকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবীরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**শমগী প্রোব্লেম**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চানদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু ঐখোয়গা অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**য়ু করম্না থাদোক্কনি :**
য়ুনা এদিক্ট ওইদুনা অদোমগী **Family**দা অৱাবা ওইরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**DUTTA CLINIC** (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong Imphal

HL-B/985/23May-22June




*চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীগা মেজর জেনরেল য়ু এস দাদু, এ দি জি এন সি সি নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগা উন্নবা*

## ইন্টর্নেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ মালেমগী মফম খুদিংদা পাঙথোক্লিবা জুন ২৬ ইন্টর্নেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিংগী থৌরম চহী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হন্দক চহীগী হয়েং অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লমশাং বজার কম্ম্যুনিটি হোলদা 'গ্লোবেল এক্সন ফোর হেলদি কম্ম্যুনিটিজ ৱিদাউট দ্রগস' হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোক্লগনি হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না ফোঙদোরক্লি।

কাদা, ময়াই লোইশঙগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি জীতচন্দ্র মঙাংনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, থৌরম অদুদা লমশাং নগর পঞ্চায়টকী চ্যেরপার্সন অরিবম ওংবী থাজনা অথোইবা লেঙবীরকপী, কাদাগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেননা থৌরম মপু, মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট ঙাংবম নোংয়াই অমসুং নুপী খুন্নাই লমশাংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ওংবী রাশিনা ঈকায় খুম্নরিবা লেঙবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা অমসুং লল্লোনবগী মায়োক্তা কুমজা ১৯৮৭কী দিসেম্বরদা ফমখিবা জেনরেল এসেমব্লিনা লৌখিবা রিজোল্যুসন ৪২/১১২গী মতুং ইন্না জুন ২৬ অসিবু ইন্টর্নেসনেল ডে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিং থৌরম চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মালেমদা থোক্লিবা অচৌবা ক্রাইমশিংগী মনুংদা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা অমসুং লল্লোনবা অসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা ইস্যু অমনি। মালেমদা লৈরিবা লৈপাক খুদিংমক্না দ্রগকা চৈথেং অসিদগী লাপথোক্লবা অরৈবা পান্থে শীজিন্নদুনা লৈপাক অদুদা দ্রগ থিংবা লোয়ননা অতোপ্পা লৈপাকশিংদগী দ্রগ পুশিল্লক্তনবা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়রি।

অদুবু কেপিটেলিষ্টকী মপাঙ্গলনা অসুম ৱাঙ্খৎলকপনা মপাঙ্গল কনবা লৈপাক ওইনবা, শেল পায়নবা, লৈপাক অমবু মরু ফংনা মুত্থৎনবা হোৎনবদা দ্রগনা অচৌবা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরিবা। মালেমদা লৈরিবা দ্রগকী থৌদৌগুম্না ইন্দিয়াদসু গোল্ডেন ট্রাইঙ্গলদগী লাকপা দ্রগ ট্রাফিক্কিং লম্বী অসিদা লৈরিবা ষ্টেট অয়াম্বা চৈথেং ফংই অমসুং ইন্দিয়াদসু দ্রগকী চৈথেং অসুক্কি মতিক ৱাঙই। মসিগী মনুংদা ঐখোয়গী ইরৈপাক মণিপুরসু লাইবক থিবশিংগী মনুংদা বোর্দর ষ্টেট ওইরুবনা অকিবা ফংনা চৈথেং ফংই হায়রি।

মণিপুরদা দ্রগ শীজিন্নবগী মহৈ ওইনা কুমজা ১৯৯০ অদুৱাইদা দ্রগ কাপ্পা মীওই কয়া জেলদা ব্লদ টেষ্ট তৌবদা মীওই কয়া ঐচ আই ভি/এইদস দিটেক্ট তৌরম্বা অদুনি। ঙসিদি মণিপুর ইন্দিয়াগী মনুংদা ঐচ আই ভি/এইদস খ্বাইদগী ৱাংনা লৈবা লৈপাক অমা ওইরে। মসি দ্রগ শীজিন্নবগী মহৈনি।

মণিপুর হৌজিক ওইরিবা দ্রগকী প্রোব্লেম অসিদা লৈঙাক্কী লোইশঙ অমসুং এন জি ওশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা দ্রগ (হেরোইন প্রদক্ট)শিং কন্ট্রোল তৌনবা অমসুং মসিদগী থোক্লকপা লায়নাশিংগী মরমদা কন্না হোৎনরি।

অদুবু মণিপুরদাঙসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক ওইনা শীজিন্নরক্লিবা এস পি, এন টেন, ফ্রামাস্যুটিকেল দ্রগস, ইহেলর্স, স্লিপ্পিং পিলসনচিংবশিংগী মরমদদি দিপার্টমেন্ট অমসুং এন জি ওশিংনা থবক ইপায় পায়খৎতনা লৈরি।

হৌজিক ওইরিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈচেল অসিদা ঐখোয় তুমিন্না লৈশিল্লবদি মণিপুরী কৌবা ফুরুপ অসি চহী খরগী মনুংদা মুৎখ্রগনি হায়রি।

## মরী লৈনবশিংনা মৈরিক্তগী মৈজাওবী থোক্তনবা থবক লৌখৎলু

ইম্ফাল, জুন ২৫ ঃ দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্টর (দি আই সি) থৌবালগী হেন্দলুম সেক্সনগী প্রোজেক্ট ওফিসারনা ফেব্রুয়ারী ২৮/২০১৪ দা সার্ভিস মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা মতম শাংনা হাংদুনা লৈরিবা মেনশিনবা য়াদ্রবা ফম (পোষ্ট) অসিগীদমক্তা সি ঐচ তোম্বী দেবীবু প্রোজেক্ট ওফিসার ওইনা খল্লকপদা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী ফিশাবী ৱিভিং কো ওপরেটিভ সোসাইটিগী মীওই খরগা মরু ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মণিপুর কো ওপরেটিভ য়ুনিয়নগী বোর্দ মেম্বরশিং য়াওনা জুন ১১ দগী ওফিস ছো লোনশিন্দুনা থম্বা হায়বসি খুন্নাইগী মায়োক্তা চত্থরকপা এন্টি সোসিয়েলগী ওইবা থবক্লি।

আইন লৈবা লৈবাক অমদা আইনবু খোঙ্গাওনদুনা থবক চত্থরকপা হায়বসি মপু পান্দবগা চপ মান্নে। লৈবাক্কী অচৌবা থৌগায় কয়াদা খুন্নাইগী থবক তৌরিবশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চাওখ্রবা মরু ওইবা ওফিস অমবু মতম শাংনা থোঙ ছো লোনশিন্দুনা থম্বা অসিনা তুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা করি কান্নবা পুরক্কদৌরিবনো?

ৱাথোক অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা হায়র ওথোরিটিশিংনা অৱাংবা থাক্তা মিৎয়েং চঙবীদুনা মৈরিক্তগী মৈজাওবী থোক্তনবা মতম চানা থবক লৌখৎপীদুনা মখা তাবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা হোৎনবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না কম্ম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন সেকমাইজিন খুনৌগী সেক্রেটরি কোন্থৌজম মনিহার না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1263**


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | 3 | | | 8 | | |
| 7 | | | 2 | | | | | 6 |
| | | 3 | | 1 | 9 | | | 5 |
| | | 6 | | 5 | 7 | | | 9 |
| | | | | | | | | |
| 9 | | | 8 | 2 | | 1 | | |
| 5 | | | 4 | 3 | | 9 | | |
| 8 | | | | | 6 | | | 4 |
| | | 4 | | | 2 | | 7 | |

**Solution-1262**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 2 | 6 | 4 | 3 | 8 | 7 | 9 |
| 9 | 3 | 4 | 7 | 5 | 8 | 6 | 2 | 1 |
| 8 | 6 | 7 | 2 | 9 | 1 | 5 | 3 | 4 |
| 7 | 1 | 5 | 3 | 6 | 4 | 2 | 9 | 8 |
| 2 | 4 | 3 | 8 | 7 | 9 | 1 | 5 | 6 |
| 6 | 8 | 9 | 5 | 1 | 2 | 3 | 4 | 7 |
| 3 | 9 | 1 | 4 | 2 | 6 | 7 | 8 | 5 |
| 5 | 2 | 6 | 9 | 8 | 7 | 4 | 1 | 3 |
| 4 | 7 | 8 | 1 | 3 | 5 | 9 | 6 | 2 |

## CROSSWORD-1450




**ACROSS**

4 Entrance
5 Used for keeping cars
7 Sleeping area
11 Rooms within a building for living
12 Bedroom need
14 Galley
15 Glass part of wall
16 Parents and children
17 Path to garage

**DOWN**

1 Family dwelling
2 Cellar
3 Animal kept in home
6 Protective covering
7 Lavatory
8 Has chimney
9 Tiny farm
10 Steps
12 Log house
13 Country house

Solution 1449



SOLUTION ON NEXT ISSUE